# জপানগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজরশিংনা অনৌবা সেদ্যুল শেম্নবা হোৎনখ্রে



টোকিও, জুলাই ১৭ (এজেন্সী): কুমজা ২০২০দা চাইনাদগী শনে দারকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অসিদা জপান্না য়ূম্থু ওইরগা টোকিও সিটিদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ওলিম্পিক গেমস য়েথোল্লগা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং ওলিম্পিক গেমস অদুগী তোঙান তোঙানবা শান্নফমশিং নৌনা শেমদোক-শেমজিন তৌগনি হায়না টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজর কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী অমা য়েথোল্লগা কুমজা ২০২১গী জুলাই থাদা পাঙথোক্লনবা শীনখিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী মাঙওইননা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদা জপানগী কোনুং টোকিওদা লৈরিবা শান্নফমশিং অদুগা য়েংলুরগা অতোপ্পা ওলিম্পিক গেমস অদুদা দিসিপ্লিন কয়াগী কম্পিটিসনশিং শান্নবগী য়ূম্থু ওইনবা শেম শারিবা অদুগী মনুংদা পূন্না মফম ৪২ লৈরিবা অদুদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা চাউনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী নৌনা চহী অমা য়েথোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা শেমজিন শাজিনবগী থবক থৌরমশিংদা অৱাবা অমদি অপনবা কয়া য়াওরি হায়রি।

টোকিও ২০২০ ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লনবা মাঙজৌননা মতম লেপখ্রবা মতুং কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা চহী অমা য়েথোরকপা অদুগী খুদোংচানবা কয়া অমা শান্নরোয়শিং খত্তা নত্তনা ওলিম্পিক গেমস অসিগী য়ূম্থু ওইরিবা জপানগী ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগীসু য়েথোকখিবা অসিনা থেংনরিবা অৱাবশিং অদু ফোঙদোরক্লি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর ওফ ওপরেসন্সকী থৌ পুরিবা সটোসি য়ামাসিটানা ফোঙদোরকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা চহী অমা য়েথোকখ্রবা ওলিম্পিক গেম অসিগী পাঙথোকফম ভেন্যুশিং অদু কুমজা ২০২১ লাকপা মতমদা অশোয়বা অমদি অৱাৎপা য়াওদনা মালেমগী শান্নরোয়শিংনা লাকপদা মপূং ফানা শেম শাহনবগী থবক থৌরমশিং লৌখৎলি। চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি জপাননা চৎলিবা চহী ২০২০দা অনীরকশুবা ওইনা য়ূম্থু ওইবগী খুদোংচাবা ফংদুনা শেম শাখিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা চহী অসিদা পাঙথোকপা য়াদনা মখা তানা চহী অমা য়েথোল্লগা পাঙথোক্লনবা শেম শারি।

# ‘আই ও সীগী প্রসিদেন্টকী ফম অনীশুবা টর্মদা মীরেপ ওইগনি’



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) গী প্রসিদেন্ট ওইরিবা থোমাস বেকনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না মহাক্না পুরিবা আই ও সীগী প্রসিদেন্টকী ফম অদু মখা তাবা অনীরকশুবা টর্মদসু মীরেপ ওইনা লৈখিগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহী ৬৬শুরবা জর্মন মচা থোমাস বেক কুমজা ২০১৩গী সেপ্টেম্বর থাদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্টগী ফম ওইনা চহী ৮গী ওইবা মতম অদু ফংখিবনি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মমাঙগী টর্ম অনী থবক পুখ্রবা থোমাস বেকনা মখা তানা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইবগী থৌদাং অদু অমুক্কা হন্না লৌনবগী খোঙথাং পায়খৎলক্লি।

থোমাস বেকনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী মহাকপু কম্মিটি অসিগী হান্না থৌ পুদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্টকী ফম অদু মখা তানা পায়হনবা পাল্লবদি মহাক্কী মায়কৈদগী চাদা ১০০ কম্মিটিশিং অদুগী মেম্বরশিংগী অপাম্বা অমদি তোঙান-তোঙানবা মালেমগী লৈরিবা লৈবাকশিংগী ওলিম্পিক কম্মিটিগী থবক থৌরমশিংদা মমাঙদা লৈখিবা অৱাৎপশিং মেনখৎতুনা নৌনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী থবক থৌরমশিংদা অহেনবা খোঙজং চঙশিনবা ঙম্নবা মতেং পীবীয়ু হায়না থোমাস বেকনা ফোঙদোরকখি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমনা ন্যুজিলেন্দগা, নুপীগী টিমনা নেদরলেন্দসকা থেংনরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী): চহী অসিদা পাঙথোক্লমগদবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অমা য়েথোকখ্রবা মতুং কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৪দা নৌনা লেপখিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী হোকি মশান্নগী সেদ্যুলদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমনা ন্যুজিলেন্দগা জুলাই ২৪দা শান্নরগনি। অদুগা নুপীগী টিম অদুসু ক্বালিফাই ওইখিবদগী নেদরলেন্দসকা লম্বা তৌনগদৌরি।



ওলিম্পিক গেমসকী পুৱারীদা গোল্ড মেদল ৮লক লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা কুমজা ২০২১গী টোকিও ওলিম্পিক গেমস অদুদা ওষ্ট্রেলিয়া, অর্জেন্টিনা, স্পেন, ন্যুজিলেন্দ অমদি য়ূম্থু জপানগা পূন্না পুল এদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

পুল বিদা বেলজিয়ম, নেদরলেন্দস, জর্মনি, গ্রেট বৃটেন, কানাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকানা লম্বা তৌনগনি। ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিম অসিনা পুল এদা অহানবা মেচ অদু কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৪দা ন্যুজিলেন্দগা অহানবা মেচ শান্নগদৌরি।

নাকল অমরোমদা, ওলিম্পিক গেমস অসিগী ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোকি টিমনা পুল এদা নেদরলেন্দসকা অহানবা গ্রুপ মেচ শান্নগনি। নুপীগী ওলিম্পিক গেমস অদুগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসকা পুল এদা অহানবা ওইনা লম্বা তৌনগদৌরিবা মেচ অদুগী মখা তারকপদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি জর্মনি, গ্রেট বৃটেন, আয়রলেন্দ অমসুং সাউথ অফ্রিকানি।

ওলিম্পিক অসিগী অতোপ্পা নুপীগী পুল বিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি ওষ্ট্রেলিয়া, অর্জেন্টিনা, ন্যুজিলেন্দ, স্পেন, চাইনা অমসুং য়ূম্থু জপানি।

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসননা ঙসি পীখিবা ৱারোল অমদা তোঙান তোঙানবা হোকি শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা নুপা অমসুং নুপীগী টিমগী অনৌবা মকোক মথং তাবগী লিষ্ট থোক্ত্রবসু মমাঙদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা টিমশিং অদু ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী পীখিবা সেদ্যুলশিং অদুদা অহোংবা লৈতনা শরুক য়াগনি হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোক্লমগদবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়েথোক্তুনা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্লনবা অনৌবা মতম লেপখিবা অদুনা মরম ওইরগা হোকিগী ওইনা মমাঙদা শেমখিবা সেদ্যুলশিং অদু নৌহৌননা শেমদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# রিএল মাদ্রিদনা ভিলারিএলবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লা লীগা ২০১৯-২০গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী): স্পেনগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা রিএল মাদ্রিদনা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৬শুবা রাউন্দগী মেচতা ভিলারিএলবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৮৬ ফংখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী কুমজা ২০১৯-২০গী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি অঙনবদা রিএল মাদ্রিদনা লা লীগাগী ৩৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমা শান্নবদা লীগ অসিগী ওইনা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙম্বা খক্তা নত্তনা খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা বর্সেলোনাদগী পোইন্ট হেনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা ভিলারিএলগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা মেচ ৩৭ শান্নবদা পোইন্ট ৮৬ ফংদুনা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

রিএল মাদ্রিদপু লম্বা কন্না তৌখিবা বর্সেলোনাগী টিম ৩৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ওসাসুনানা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্বদগী লীগ অসিগী টাইটলগী লম্বেল অদু রিএল মাদ্রিদকী ওইনা য়েৎনবা লৈতনা লৈখি।

রিএল মাদ্রিদ অমসুং ভিলারিএলগা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্ট্রাইকর ফ্রেঞ্চ মচা করিম বেঞ্জিমানা ২৯শুবা মিনটতা টিমমেট এল মোদ্রিদনা পীরকপা বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

অনীশুবা হাফকী ময়ায় চনশিল্লকপা ফাওবদা রিএল মাদ্রিদনা অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল অদুগী মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা বোল অদু ভিলারিএলগী পেনালটি এরিয়াদা য়ৌশিল্লকপদগী পাঞ্জল চন্দনবা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা চৎন-কাঙলোনগী মায়োক্তা বোল মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক রেফরিনা পেনালটি অমা রিএল মাদ্রিদতা পীখি। খুদোংচাবা অদু মেচ অদুগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা বেঞ্জিমানা ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা ভিলারিএলবু মাঙজিল থাখি।

মেচ লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা ভিলারিএলগী মায়কৈদগী ভি ইবোরানা টিম অদুনা শোথখিবা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোক্লগা মেচ অদু লোইশিনখি।

অতোপ্পা লা লীগাগী মরু ওইবা মেচ অমদা বর্সেলোনাবু ওসাসুনাগী মায়কৈদগী হেন্না ফজনা শান্নরকপদগী ২-১দা থোইখি। ওসাসুনাগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা জে অর্নাইজনা অহৌবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মতুং মেচকী ৬২শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী লিওনেল মেসিনা ইক্বেলাইজর অদু চনবদগী লম্বা মান্নখিবা অদু শান্নবগী অরোইবা মিনটতা ওসাসুনাগী আর টোরেজনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা বর্সেলোনাবু ২-১দা থোইরগা লা লীগাগী টাইটলগী আশা মচা অমা লৈরম্বা বর্সেলোনাবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

## শান্নরোয় অনী ত্রান্সফরগী থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মমাঙদা এসোসিএসন অসিনা পীখিবা তোঙান তোঙানবা এসোসিএসন অসিগী মখাদা এফিলিএট তৌরবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী শান্নরোয়শিংগী ত্রান্সফরগী মনুং চন্না থৌবালগী ক্লব অনীগী মায়কৈদগী অতোপ্পা ক্লবতা ত্রান্সফর তৌনবা মমিং থাগৎলক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী এল পি ৱাই সীগী শান্নরোয় এল থোইবা অমসুং ঐচ আই এস য়ুগী ঐচ প্রিয়ো মৈতৈনা ইম্ফাল ইষ্টকী ফুটবোল ক্লব এন ঈ এস য়ুদা ত্রান্সফর তৌনবা মরী লৈনবা চে-চাং থাগৎলকখিবনি হায়না অস্ফাগী ত্রান্সফর কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা খৃষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী): য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ৩৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা খৃষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা রাউন্দ য়ৌগদবা মেচ অনী ৱাৎলিঙৈগী লম্বা অদুদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা খৃষ্টেল পেলেসকা অকনবা লম্বা মায়োক্লখি।

অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং ৪৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী এম রাজফোর্দনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা খৃষ্টেল পেলেসকী শান্নরোয়শিংনা ইক্বেলাইজর ফংননবা হোৎনখিবা পূম্নমক অরেম্বা তাদুনা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এম রাজফোর্দনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এ মার্সিএলনা পাঞ্জল চল্লগা মেচ অদু ২-০দা থোইখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা সাউথম্পটন অমদি ব্রাইটোন এন হোব অলবিওন পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

সংকেত/খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।

লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

HL-C/170/1-31




# ইংলেন্দনা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা ৱেষ্ট ইন্দিজতগী ফীভম ফনা শান্নবা ঙম্লি

মেঞ্চেষ্টর, জুলাই ১৭ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন থমখ্রবা মতুং ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা অহানবা ইন্টরনেসনল মেচ ওইনা ইংলেন্দনা য়ূম্থু ওইরগা ৱেষ্ট ইন্দিজকা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাকখ্রবা মতুং থা অসিগী ১৬তগী শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদুদা য়ূম্থু ওইখিবা ইংলেন্দনা অহানবা ইন্নিংসতা রন ৪৬৯ লৌরগা দিক্লার তৌখিবদগী ফীভম ফজনা লৈরি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিদা ঙরাংদগী হৌখিবা ইংলেন্দ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজকী অনীশুবা টেষ্ট মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌরকপদা ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা ওপনর দোমিনিক সিবলে অমদি মঙাশুবা বেটচমেন মেনষ্টোক্সকী য়াম্না ফজবা বেটিংগী পর্ফোর্মেন্সনা টিম অদুগী স্কোর বোর্দ অদু ফজহনখি।

ওপনর দোমিনিক সিবলেনা রন ১২০ লৌবা ঙমখি। অদুগা মঙাশুবা বেটচমেন ওইখিবা বেনষ্টোক্সনা রন ১৭৬ লৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজকী বোলিং এটেক অদুবু য়াম্না ফজবা মওংদা মায়োক্লদুনা টিম অদুগী অহানবা ইন্নিংসকী স্কোর অদু ৪৬৯ য়ৌরকপদা ইন্নিংস অদু দিক্লার তৌখি।

ইন্নিংস দিক্লার তৌখ্রবা মতুং ৱেষ্ট ইন্দিজকী মায়কৈদগী অথেংবদা ফংখিবা পাউগী মতুংইন্না টিম অদুগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ৱিকেট অমা আউট ওইরগা রন ৩২ লৌদুনা লৈরি। ওপনর জোন কেম্বেলনা রন ১২ লৌরল্লগা আউট ওইখি।

মেচ অসিদা ইংলেন্দনা লৌরম্বা অহানবা ইন্নিংসকী স্কোর অদু ফজবনা টিম অদুনা অহানবা টেষ্ট মেচতা মায়থীখিবা অদু হন্দোকপা য়াবগী খুদোংচাবা অমা লৈরি।

MEM Manipur Educational Mission
Higher Secondary School
ONLINE/OFFLINE
ADMISSION OPEN
FOR CLASS XI SCIENCE
Link : http://v-school.in/admform/MEM
Class X CBSE Special Offer
MEM Manipur Educational Mission
A Group of Institutions
NEET | JEE FOUNDATION + SCHOOL
Integrated Program Start from 2020 Session
FACILITIES FOR CBSE BOARD
90% & above: Free Admission+Half Course Fee
80% & below 90%: Free Admission Fee
70% & below 80% : Free Books & 1 set uniform
LIMITED SEAT
FIRST COME FIRST SERVE
Last Date of ADMISSION:
22nd JULY 2020
AVAILABLE FACILITIES
Uniforms • Hostel • Text Books
School Bus Transportation (T&C apply)
for details Office timing : 9.am to 1.30 pm or Call # 8414024194
HL-B/6273/17, 18, 21, 23, 25, 27, 29

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR CLASSIC-350
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/6202/10june to 7 aug.






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com